
# মালেমগী ওইনা লাক্কদবা মতমদা মহুৎ শীল্লক্কদৌরিবা পৈশা– দিজিটেল ক্রিপ্টো করেন্সি

- জয়েন্ত সরাংথেম -

চহী মঙা–তরাগী মতুংদদি ঙসি মীওইবা ঐখোয়না মালেম অসিদা তোঙান–তোঙানবা মওংদা শীজিন্নরিবা শেনয়েক খুদম ওইনা–রুপীস, দোল্লর, য়েন, য়ুরো, পাউন্দ, শিল্লিং....অসিনচিংবা অসি মতমগী খোঙলোই মতুংইন্না শেনয়েক অমখক্তনা মহুৎ শীল্লক্কদৌরিবা অদুদি দিজিটেল ক্রিপ্টো করেন্সি অসিনি। ক্রিপ্টো করেন্সি অসিগী মাঙওইননা মালেমদা শেল হায়বদি পৈশা অসি করম্না মীওইবনা শীজিন্নরকখিবগে হায়বগী ৱাফম খরা থমজরমগে। শেনয়েক লৈত্রিঙৈ য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা মীওইবনা বার্টর সিষ্টম ওফ ত্রেদকী মখাদা পোৎকা–পোৎকা ওন্নদুনা লল্লোন–ইতিক তৌনরম্মী। অদুবু মতম অদুদা এ কৌবা মীওই অমনা বি কৌবা মীওই অমগী পোৎ অদু ওন্নবা পাম্বা পামদবা হায়বা ৱাফম লাকপদগী হায়রিবা সিষ্টম অসি য়াম্না খূদোংচারমদে। বার্টর সিষ্টম ওফ ত্রেদকী মতুংদা মালেমদা সনা (গোল্ড) হায়বসিনা অমুক কম্মন এক্সচেঞ্জ ওইনা ট্রেদ তৌনরকখি। মসিদসু খূদোংচাদবা অমনা অচৌ–অচৌবা ত্রেদ তৌরকপদা য়াল্লবা গোল্ড পুদুনা চৎপগী নুংঙাইতবা অমদি সনাগা ওন্নগদৌরিবা পোৎ অদুগী মমল ওইনা পীগদৌরিবা সনা অদু ঙাইহাক্তুদা মচেৎ–মচেৎ থুগাইবগী অৱাবা অসিনি। অমুক চহী চা কয়াগী মতুংদা মতম মতমগী মালেমগী তোঙান–তোঙানবা মফমদা পাল্লকপা নিংথৌরেনশিংনা মাগী মাগী য়োৎকী শেনয়েক পুথোক্তুনা চৎনবা হৌরকখি। হায়রিবা য়োৎকী শেনয়েক অসিগী মতুংদা অচৌবা শেনফমগী ওইনা হেন্না খুদোংচানবা চেদা প্রিন্ট তৌদুনা পেপর করেন্সি লাক্লে। পেপর করেন্সি অসিগী খূদোংচাদবা খরদি মালেমদা কম্মন করেন্সি লৈতবনা তোঙান–তোঙানবা করেন্সি ওইবনা লৈবাক অমদগী লৈবাক অমদা পৈশা থাদোক থাজিন তৌবদা (খুদম ওইনা ইন্দিয়াদগী য়ু এসতা পৈশা থাবদা) রুপীসতগী দোল্লরদা থাবদা এক্সচেঞ্জ অমগী মখাদা কনভর্ট তৌদবা য়ারক্তবা, পৈশা থাবদা কনভর্ট তৌবগী শেল তিংবা (এক্সচেঞ্জ রেট), হায়রিবা তোঙান–তোঙানবা শেনয়েকশিং অসি মাগী মাগী গভর্ণমেন্টনা য়াম্না কা–হেন্না ঙম্না কন্ত্রোল তৌবা (সেন্ত্রেল্লাইজদ কন্ত্রোল) অমদি থাবদা মতম চঙবা অসিনি। মসিদগী হৌজিক্তি ইলেক্ট্রোনিক অমদি কমপ্যুটর এজ ওইরকপদগী কম্মন লোয়ননা দিজিটেলসু ওইবা পৈশা–ক্রিপ্টো করেন্সি (crypto currency) অসিনা মতম খরগী মতুংদা তপ্না–তপ্না লাক্তুনা মালেমগী পৈশাশিংগী মহুৎ শীল্লক্কদৌবগী মমি খরা–খরা লাক্লে।

ক্রিপ্টো হায়বদি সেক্রেট (কন্সিল) অদুগা করেন্সি হায়বনা পোৎ লৈবা য়োনবদা শীজিন্নগদবা মেদিয়ম অমনি। ক্রিপ্টো করেন্সি হায়বসি য়াম শম্না দিজিটেল টোকন অমনি। চপ–মান্নবা টোকন কোপি পেস্ট অমদি মিস্মেটচ তৌদনবা (ক্লোন শেমদনবা) দিজিটেল টোকনশিং অসি পব্লিক লেদজরগুম্বা অমদা ক্রিপ্টো করেন্সি মাইনরশিংগী (miner) মতেংনা ত্রাঞ্জেক্সনগী ভেরিফাই তৌনবা হিসাব শুগনি। অদুগা লেদজরশিং অসি মালেমদা লৈরিবা স্মার্ট ফোনশিং অমদি কম্প্যুটরশিং পুন্দুনা মখোয়গী মরক্তা গ্রুপ ওফ নেটৱার্ক শেমদুনা ব্লোক চেন (block chain) টেক্নোলোজিগী মখাদা লিঙ্ক তৌদুনা মেন্তেন তৌগনি। ব্লোক চেন হায়বসি ত্রেন অমগা চাংদম্নবা য়াই। ত্রেনগী দিব্বা অমগা দিব্বা অমগা শম্নদুনা চেনবা, দিব্বা অমা মী থনবগা, দিব্বা অমদা অমুক মী চংবা অদুগুম্বনি। তৌবতদি দিব্বাশিং অদু অমগা–অমগা চেনগী মতেংনা শম্নহল্লি। হায়বদি লিঙ্ক লৈনহল্লি। অদুগা অমুক ক্রিপ্টোগ্রফিনা কোদিং অমদি এলগোরিথমিক শীজিন্নদুনা ক্রিপ্টো করেন্সিশিং অসি সেকিয়োর (secure) অমসুং প্রাইভেসি ওইহল্লি। অদুনা ক্রিপ্টো করেন্সি অসি দিজিটেল এসসেট অমনি। অদুগা অমনা হায়রিবা ক্রিপ্টো করেন্সি অসি মাগী এদভান্স টেক্নোলোজি খঙলগদি মীওই অমনা হেক্তো মশাগী ক্রিপ্টো করেন্সি পুথোকচবসু য়াই। তৌবতদি মানা পুথোক্লিবা ক্রিপ্টো করেন্সি অদু মীয়ামগী পোপ্যুলরিটিদি চঙই।

মখা তারকপদা ঐখোয় মালেমগী মীওই কয়ানা পুথোরকপা মমিং লৈরবা ক্রিপ্টো করেন্সি খরা খঙমীন্নসি– বিটকোইন (bitcoin), ইথেরেয়ম (ethereum), ত্রোন, দোগিকোইন, শিবাইনু, টেথর, বিনান্স কোইন, কার্দনো, পোলিগোন, লিটকোইন। ক্রিপ্টো করেন্সি অসি ব্লোক চেন টেক্নোলোজি অমদি এদভান্সমেথমেটিকেল এলগোরিথমিক্স শীজিন্নদুনা ভর্চুএল ক্রিপ্টোগ্রফিগী মখাদা লৈবা দিজিটেল ফোর্মগী টোকন অসিবু পৈশা অমগুম্না মালেমগী মীয়াম্না নোংম–নোংমবগী একসেপ্ট তৌবা (য়ান্নরকপা) হৌরকপা অসিনি। ক্রিপ্টো করেন্সিগী দাটাশিং অমদি ত্রাঞ্জেক্সনশিংগী ইনফোর্মেসন অসি মালেমদা লৈরিবা কম্প্যুটরশিংদা গ্রুপ ওফ নেটৱার্ক ওফ সর্ভর শেমদুনা ব্লোক চেন টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা থমগদৌবা




ওইবনা শেনয়েক্কী মতাংদা মালেমগী অনৌবা রেভল্যুসন অমদি ওইগদৌরি।

ক্রিপ্টো করেন্সিগী অফবা কেরেক্টেরিষ্টিক্স অমদি ফ্যুচর খরা পল্লবদা– ১) ক্রিপ্টো করেন্সি অসি কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা গভর্ণমেন্ট অমগী কন্ত্রোলদা লৈতে। হায়বদি করিগুম্বা ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়না হৌজিক শীজিন্নরিবা রূপীস অসি য়াম কা হেন্না প্রিন্ট তৌরবদি ইন্দিয়াদা ইনফ্লেসন থোক্তুনা নঙগী ঐগী ইন্দিয়ান রূপীস পৈশা অসি ভেলূ হন্থরক্কদৌরিবনি। খুদম ওইনা চহী তরাগী মমাংদা লূপা ১০না পোৎ ময়াম লৈবা য়ারম্মী। অদুবু হৌজিক্তি লূপা ১০০না ফাওবা পোৎ য়াম্না লৈবা ফংদ্রে। মসিবু কৌই পৈশাগী ভেলু হন্থরকপা। রূপীস, দোল্লরদি অন–লিমিটেদতা প্রিন্ট তৌখিবা য়াই। অদুবু ক্রিপ্টো করেন্সিদি লিমিটেদ সপ্লাই খক্তনি। খুদম ওইনা বিটকোইনগী সপ্লাই অসি ২১ মিলিয়ন খক্তনি। মসিদগী হেন্না বিটকোইন মাইনিং তৌবা য়াদে। ২) করেন্সি অসি য়াম্না মনীংতম্বা দিসেন্ত্রেলাইজ ওইনা লৈবা অমনি। আর বি আই অমদি গভর্ণমেন্টনা ২০১৬তা হান্নগী শেনয়েক চৎনদ্রে হায়দুনা পৈশা কয়া চেজেৎ ওনখিবা ঐখোয়না থেংনখিবা লৈখ্রে। ঙসি ঐখোয়গী পৈশাশিং অসি বেঙ্কদা দিপোজিৎ তৌদুনা থম্মী। অদুবু করিগুম্বা হায়রিবা বেঙ্ক মপু অদু চেনখ্রবদি কমদৌবা? খুদম ওইনা য়েস বেঙ্কগী কেস পনবা য়াই। নৎত্রগা ৱার তাইম অমদি লৈবাকশিং মরোমদোম হীংজগে হায়দুনা নিংতম্বা তানবা হৌনরকপদা ঙসি ঐখোয়না পায়রিবা পৈশাশিং অসি চৎনদ্রে হায়দুনা চেজেৎ ওনখিবদা কনাদা করি হায়রুদোইনো? অদুবু ক্রিপ্টো করেন্সিদি মসি লৈররোই। ৩) ক্রিপ্টো করেন্সি অসি ফ্রি– ফ্লো ওই। হায়বদি পৈশা ত্রানজেক্সন তৌবদা ভেরিফাই তৌনবা ইন্টর্মেদ্যিটরি অমা খূদম ওইনা বেঙ্ক অমগী মথৌ তাদে। ৪) মালেমদা ক্রিপ্টো করেন্সি লাক্লবদি লৈবাক অমগা লৈবাক অমগগী জিওগ্রাফিকেল বেরিয়র লৈররোই। ৫) মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা অমগা– অমগা পৈশা থাবদসু মতম চংলরোই য়াম থুরগনি সেকেন্দ ৩– ৪গী মনুংদা য়ৌগনি। ৬) পৈশা থাবদা এক্সচেঞ্জ চার্জ (দোল্লরদগী রূপীস্তা , রূপীস্তগী দোল্লরদা নৎত্রগা য়ুরোদা কনভর্ট তৌবগী চাদিং) লৈররোই। ৭) ক্রিপ্টো করেন্সি অসি য়াম্না প্রাইভেসি ওই। মরমদি এ কৌবা মীওই অমনা বি কৌবা অমদা পৈশা থাবদা এ বি মখোয় অনী নত্তনা কনানসু খঙবা ঙমদে। ৮)ক্রিপ্টো করেন্সি লাকপনা লৈবাক অমগী ইনফ্লেসন থিংবা ঙম্লগনি। ৯) ক্রিপ্টো করেন্সি অসি ক্রিপ্টো এক্সচেঞ্জদগী মচেৎ– মচেৎ লৈবা য়োনবা তৌবা য়াই। খুদম ওইনা কুমজা ২০০৯দগী ২০১৫ ফাওবদা বিটকোইন, ইথেরিয়ম ক্রিপ্টো করেন্সিগী মমল অসি শুপনতগী লূপা ২০০– ৪৫০দা লৈরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি বিটকোইন অমগী মমল অসি লূপা লাখ ৩৯মুক্লি। অদুগা ইথেরিয়ম অমগী মমলনা লূপা লাখ ৩ মুক্লি। ইন্দিয়াদা ওপেরেট তৌবা ক্রিপ্টো এক্সচেঞ্জ–ৱাজির এক্স, কোইন স্যুইটচ কুবের, কোইন দি সি এক্স, বাই য়ু কোইন, কোইন বেস নচিংবা অসিদা এক্কাউন্ট হাংদুনা সিয়র মার্কেটতা ত্রেদিং তৌবা অদুগুম্না মচেৎ– মচেৎ ক্রিপ্টো করেন্সি লৈবা– য়োনবা য়াই। হায়বদি লূপা ১০গী, লূপা ৫০গী, লুপা ১০০০গী বিটকোইন লৈবা য়াই অমদি হৌজিক লৈদুনা থমবা, ইনভেষ্ট তৌবা অদুগা কোন্না মমল য়াল্লকান্দা (টোকনগী ভেল্যু য়ান্না লৈরকান্দা) অমুক য়োনবসু য়াই। করিগুম্বা কুমজা ২০১১– ১২ অদুৱাইদা লূপা ৩০০০ মুক্লা বিটকোইন অনী অহুম্মুক লৈদুনা থল্লম্লবদি হৌজিক য়োনবদা লূপা ক্রোর অমগী মপু ওইরম্বসু য়াই। হৌজিকসু অহোংবা ক্রিপ্টো করেন্সি লৈদুনা ইনভেষ্ট তৌবা য়াই। তৌবতদি লৈরিবা ক্রিপ্টো করেন্সি টোকন অদু মীয়াম্না য়াম্না পোপ্যুলর ওইরক্লবদি মাগী ভেল্যু য়ান্না চাওনা হেনগৎলকপা য়াই নৎত্রগা টোকন অদুগী ভেল্যু শিখিদুনা ইনভেষ্ট তৌখিবা পৈশা অদু লোইনা মাঙবসু য়াই, তম্বা ঙমদে।

ক্রিপ্টো করেন্সিগী য়াম্না কীনিংঙাই ওইবা মশক অমদি দিস– এদভান্টেজ খরা পল্লবদা– ১) ক্রিপ্টো করেন্সি অসি হৌজিক্কী ওইনা য়াম্না ভোলেটাইল ওইবা অসিনি। হায়বদি ক্রিপ্টো করেন্সিশিংগী মমল অসি য়াম্না চাওনা অকা অকুম তৌই। মালেমগী পৈশা পায়রবা নৎত্রগা শক্লাইরবা মীওই মিং খরা পল্লবদা ইলোন মাস্কনা ক্রিপ্টো করেন্সিগী মরমদা tweet অমা তৌবদা ক্রিপ্টো করেন্সি টোকন খরগী ভেল্যূ অসি য়াম্না চাওনা অকা অকুম তৌই। খুদম ওইনা ঙসি লূপা ১০০গা ভেল্যূ মান্নরম্বা ক্রিপ্টো করেন্সি অমবু নুমিৎ নীনী হুম্নিদা লূপা ৭০মুক্তা হন্থরকপা য়াওই নৎত্রগা লূপা ১০০ দগী য়াম্না কা হেন্না মাগী ভেল্যু অদু হাইগৎলকপা য়াওদবসু নত্তে। ২) ক্রিপ্টো করেন্সি ত্রাঞ্জেক্সন তৌবা অসি ইররিভর্সিবল (irreversible) ওই। হায়বদি ক্রিপ্টো করেন্সি পৈশা থানবদা এদ্রেস শোয়বদগী লান্না থাখিবা থোক্লবদি অমুক হল্লকপা য়াদে। পৈশা অদু মতম চুপ্পগী ওইনা মাঙলগনি। রিকোভর তৌবা য়াদে। ৩) ক্রিপ্টো করেন্সি অসি ক্রিপ্টো ৱাল্লেটতা থম্মে। অদুবু ইন্টর্নেট টেক্নোলোজি, সাইবর ক্রাইম অমদি হেক্কিংগী থবকশিং অসি নোংম– নোংমগী হেনগৎলকপসিনা ক্রিপ্টো ৱাল্লেট অসিসু চেকশিলহৌদ্রবদি য়াম্না খুদোংথীনিংঙাইনি। ৪) ক্রিপ্টো করেন্সি অসি ক্রিপ্টো ৱাল্লেটতা পাসৱর্দ থমদুনা ষ্টোর তৌই। করিগুম্বা পাসৱর্দ কাউখ্রবদি ক্রিপ্টো করেন্সিশিং অদু মতম পুম্বগী ওইনা মাঙখিগনি। ৫) ক্রিপ্টো করেন্সি থানরিবা মীওই অনীদুখক্তা নত্তনা কনানসু কনাদা করি থাখিবগে হায়বগী রেকোর্দ পুথোকপা ঙমদবনা মালেমদা ক্রিপ্টো করেন্সি লাক্লবদি ইল্লেগল ত্রাঞ্জেক্সনগী চাং হান্নদগী কা– হেন্না হেনগৎলক্কনি। মসিদগী দার্ক ৱেব ত্রাঞ্জেক্সন লাক্কনি। ৬)ক্রিপ্টো করেন্সি অসি মাইনিং তৌবা অমা চঙই। মাইনিং তৌবদা ইলেক্ট্রিক ইনর্জি অমদি হায় পাৱর কম্প্যুটর য়াম্না চঙবনা মরম ওইরগা মালেমগী ওইনা কার্বোন ইমিসসন অমদি অঙৈং অশাগী খল কায়হল্লকপা য়াবগী খুদোংথীনিংঙাই লৈরিবনি। মসিদসু নত্তনা নঙগী ঐগী স্মার্ট ফোন অমদি কম্প্যুটর– লেপটোপশিং অসি ওন তৌরি মনুংদা মরম লৈতনা প্রোসেসরগী স্পীট মশা মতোমতা হেনগৎলকই হায়দুনা মপু খঙহন্দনা কনাগুম্বা ক্রিপ্টো মাইনিং এক্সপর্টশিংনা লোন্না শীজিন্নে হায়বগী ক্লেম তৌরকখিবা খরসু লৈখ্রবনি। ৭) ক্রিপ্টো করেন্সি অসি হৌজিক– হৌজিক্কী ওইনা মালেমগী লৈবাক অয়াম্বনা রিগুলেট তৌদ্রিবনি। ইন্দিয়াদসু আর বি আইনা ২০১৮দা বেঙ্কশিংগা অমদি ক্রিপ্টো করেন্সিশিংগা মরী লৈননা তৌবা ত্রাঞ্জেক্সন তৌবা য়ারোই হায়না থমখিবা অথিংবা অদু কুমজা ২০২০দা সুপ্রিম কোর্টনা লৌথোকখিবদগী হৌজিক গভর্ণমেন্টনা ষ্ট্রিক রেগুলেসন তৌনবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। মালেমগী অওনবা অমা হয়েং ওইহল্লক্কদৌরিবা ওইবনা, ক্রিপ্টো করেন্সিগী থবকশিং অসি পুম্নমক বেন তৌবদি ফত্তে হায়নিংই। তৌবতদি হৌরকপদা ঙাইরিবনিনা খরা চেকশিনবদি ফৈ। ইন্দিয়াদা ক্রিপ্টো করেন্সি অসি লিগেলদি ওই। অদুগা লিগেল টেন্দরদি ওইদ্রি। হায়বদি ক্রিপ্টো করেন্সি অসি ত্রেদ তৌবা, এক্সচেঞ্জদা হোল তৌদুনা থমবা অমদি ৱাল্লেটতা ষ্টোর তৌদুনা থম্বা অসিনচিংবদি আইননা অয়াবা পীরি তৌইগুম্বসু ক্রিপ্টো করেন্সি শীজিন্নদুনা পোৎ লৈবা য়োনবদি লৈঙাক্লা অয়াবা পীদ্রি। ৮) হৌজিক–হৌজিক শীজিন্নরিবা রূপীস, য়েন, য়ুরো নৎত্রগা দোল্লর অসিনচিংবা অসিদি কোইন অমদি পেপর ফোর্মদা লৈ। অদুবু ক্রিপ্টো করেন্সিশিংদি ফিজিকেল ফোর্মদা লৈতে । দিজিটেল ফোর্মদা লৈ। অদুনা করিগুম্বা কান্দা দাটা লিক ওইখ্রবদি মতম অমা হেক্তদা হায়রিবা ক্রিপ্টো করেন্সিশিং অদু লোয়না হুরানখিবগী কীনিংঙাইসু লৈরিবনি। তম্বা ঙমদে। ক্রিপ্টো করেন্সি অসি হৌজিক্কী ওইনদি হায় রিস্ক হায় রির্টর্ন অমা ওইগদৌরি। ৯) দার্ক ৱেব ত্রাঞ্জেক্সন ওইরকপনা লো এনফোর্সমেনশিংনা ক্রিপ্টো করেন্সিগী মরমদা ত্রেক তৌবা ঙম্লক্তবনা অরোন অথুপকী চাং য়াম হেল্লক্কনি।

লিগেল টেন্দর ওইনা ক্রিপ্টো করেন্সি একসেপ্ট তৌবা হৌখিবা মালেমগী অহানবা লৈবাক্তি ইল সলভেদোরনি। অদুগা শুপ্নতগী লিগেল ওইহন্দুনা ত্রেদ তৌবা, হোল তৌবা য়াহনবা লৈবাকশিংদি– য়ু এস, ইন্দিয়া, জপান, কানাদা, ফান্স, ইংলেন্দ, স্পেন, জর্মনি, দেনমার্ক অমদি অতৈ–অতৈ কয়া লৈরি। অদুগা নোংমা–নোংমগী কোর্পোরেট কয়া, বিজিনেস কয়া, ফুদ দেলিভরি, রেস্টুরেন্টগী ফি লৌবদা, এন্টর্টেনমেন্টগী টিকেট লৌবদা ক্রিপ্টো করেন্সি একসেপ্ট তৌবা হৌনরক্লে। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## জীববু নুংশিবা ঙম্বা মীদি ধর্ম্ম লৈবা অফবা মীনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ঐখোয় মীওইবনা নেচরেল দেথপু ওইরবসু, অতোপ্পনা হাৎপবু ওইরবসু শিনিংদনা, হিংনীংবা অদুগুম্না সংসারসিদা লৈরিবা মথ্ময় পানবা জীব পুম্নমকসু হিংনীংবা ঙাক্তনি মনীং তম্না। ঐখোয় মীওইবনা ঙম্মী হায়দুনা ঈশিংদা, কংফালদা, লৈনুংদা লৈজবা অমদি অতিয়াদা পাইদুনা লৈজবা জীবশিংগী মোংফম ঐখায়গী চাকখাওদা ওইহল্লি। চিঙাক্লি খন্না জীবশিং অসিবু হাৎতোকপীবা মতমদা ঐখোয়বুসু মচিঙাক ওইরিবা কার্নিভরসশিংনা চাথোক্লবা হোৎনরকপা মতমদা ঐখোয়সু কৈসু শিনীংদবা অদুগুম্না মখোয়সু (জীবশিংদুসু) শিনিংদ্রিবনি। তাইবঙ শেম্বা মপুনা পাম্বসু ঐখোয় মীওইবনা ঙম্মী হায়দুনা জীবশিংবু মীনুংশি য়াওদনা হাৎতুনা চাবসি ওইরোই, জীবশিংবু ঐখোয় মীওইবনা নুংশিবীবগা লোয়ননা মখোয়গা হিংমিন্নবদু ওইগনি। ঐখোয়গী লৈবাক্কী (ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন) গী Part IV A গী Fundamental Duties of Citizens তসু হায়রি - Article 51 A গী Clause (g) to protect and improve the natural environment including forests, lakes, rivers, wildlife and to have compassion for living creatures. (ৱাহন্থোক্তি অসুম্না হায়বা মাল্লি মদুদি :- ইন্দিয়াগী সিটিজনশিংগী যুম্ফম ওইরিবা নৎত্রগা য়াম্না মরু ওইরিবা মথৌশিংদি - চীং, পাৎ, তুরেল, লন্মক্কী শা উচেকশিং য়াওনা মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেনবা অমসুং ফগৎহনবা অমসুং অহিংবা জীবশিংগীদমক নুংশিবীবা হায়বসিনি।)

অদুনা হান্নদগী নুংতিগী ঙানু, য়েন, ওক, হুইনচিংবা জীব কয়া হাৎতোকপীদুনা চারিঙৈগী মথক্তা ‘বাই-বাই’ অমসুং ন্যু য়র’না লাকপদা অমুক্কা হেন্না হাৎতোকপীগুমসি। হায়জরিবা ঐ ইশামক ভেজিটেরিয়নমক্তি নত্তে। ঐনা উদ্রিঙৈদা নেচরেল দেথ ওইরবা ঙা ফাওবদি চাই। অহিংবা ঙা হাৎলগা শেন্বদি ঐ য়েংবা ঙমদে, চাসু চাদে। মশা মথন্তা শিজরবা ঙাসি নত্তনা উচেক, ঙানু, য়েন, ওক, হুই অমদি ষণনচিংবা জীব অমত্তা চাদে নুংশিবদগী। ঐহাক উচেক-ৱায়া, হুই-হৌদোং, শা-ষণনচিংবা অতোনবা জীবশিংসি নুংশিবতা নত্তনা য়াম্না লুনসু তৌই। করিগীসু তৌরোই? মীওইবা ঐখোয়গুম মশাদা ফাওরকপা ইহুল অমত্তসু মচিন থোক্লা ফোঙদোকপসু ঙমজদবা অসুক নুংশিনা, অসুক তোন্না হিংজরিবা অতোনবা জীবশিং অসিদা মীওইবা ঐখোয়না করিগী তাথীরুনি, করিগীদমক মীরাইরুগনি? মীওইবা ঐখোয়গী হরাও নুংঙাইবা মীকুপ খুদিং মখোয়গীনা অরোইবা য়াহিপ তানহল্লিবা, সংসার অসিদগী শেৎতুনা হিংবগী হক মৎপীরিবা অসিবু চুন্নিদ্রা? জীববু নুংশিবা ঙম্বা মীদি ধর্ম্ম লৈবা অফবা মীনি, মরম অদুনা জীববু নুংশিসি, মখোয়বু ঐখোয় মীওইবনা ঙম্মী হায়দুনা হাৎপীগুমসি হায়না পুম্নমক্কী মফমদা থমজরি।

*অদোমগী - থৌদাম রাজো*
*কোন্থা খাবম ময়ায় লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট*

ষ্টেটকী পাউ

## অজাদি কা অমৃত মহোতসব পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস): লৈবাক অসিনা নীংখা তম্লকপগী চহী ৭৫ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা অজাদি কা অমৃত মহোতসবকী থৌরম ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা থা অসিগী ২৭ অমদি ২৮দা মথং মনাও নাইনা পাঙথোক্লগনি হায়না অজাদি কা অমৃত মহোতসব কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ইম্ফাল হোটেলদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অমদা কম্মিটি অসিগী নেসনল কনভেনর বসন্তনা ফোঙদোক্লদুনা হায়, অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং মরু ওইনা মণিপুরদা ৱিমেন ইম্পাৱরগী খোল্লাও য়ৌহন্দুনা নুপীশিংগী ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কম্মিটি অসিগী মণিপুর ষ্টেট প্রসিদেন্ট এল সুরেশনা ফোঙদোকখিবদা, অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা মণিপুরনা ইহান হানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা মীয়াম্নসু মরু ওইনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীরেপ ওইনা থৌরাংলিবা মীপূম খূদিংমক্না শরুক য়াবীয়ু।

চহী ৭৫ নীংখা তম্লকপা অসিদা পুরক্লিবা অহোংবা অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎলক্লিবা লৈবাক্কী য়াইফ থৌরাং কয়া অসি মমুৎ তানা খঙমিন্নদুনা হেন্না চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনবদা পূন্না মায়োং য়ামিন্নসি। বি জে পি লৈঙাক লাকখিবদগী মণিপুরখক নত্তনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা চাওনা অওনবা অমা লাক্লে। নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং চাওখৎতনা ইন্দিয়া চাওখৎপা য়ারোই হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অচেৎপা থাজবনি হায়খি।

## বেন্দ ইনষ্টুমেন্ট খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস): মণিপুর হোম গার্দ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী ফন্দদগী লৈরগা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা লাক্লিবা ২০২২গী রিপব্লিক দে নংনবা মণিপুর হোম গার্দকী বটালিয়নগী কম্মান্দেন্ট অমদি পর্সনেলশিংদা ঙসি বেন্দ ইনষ্টুমেন্ট খুৎশিন্নখ্রে। থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা হোম গার্দকী অৱাৎ-অপাশিং মণিপুর লৈঙাক্লা পীবিনবা তকশিনখিবগা লোয়ননা ট্রান্সফর পোলিসি শেম্বিনবসু লৈঙাক্কী পুক্নিং চীংশিনগদৌরি।


### অপেনবা ফোঙদোকচরি


(সুধাকর (শামু

ঐগী ওইথংবা কিডনী অমসুং ঈশিং মরীদা পুন্না নুঙ অনী লৈবদগী সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই.টি.আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্দী (মেদিসিন)গী মচানুপা ইয়াম্বা লাইশ্রম সুধাকর হার্বেল ফিজিসিয়ান, স্পিসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি (ষ্টোন)না বাবাগী মহুৎ শীন্দুনা ঐবু হাপ্তা মরি লায়েংবীবদগী ঐগী লৈরম্বা নুঙশিং অদু লোইনা তাহনখ্রে। অনৌবা অল্ট্রা সাউন্দ লৌবদসু লৈবা উদ্রে মসিগীদমক্তা ইয়াম্বা সুধাকরবু হায়নিংঙাই লৈতনা খবরগী থোঙদা অপেনবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- **Khwairakpam Sanamatum**
Thanga Oinam Leikai
HL-P/0951/24,25,26

### LOAN / LOAN

## LOWEST INTEREST

Kakching and Thoubal District Area Only.
1) Business Loan 2) Daily Installment Loan
3) Vehicle Loan (Two Wheeler only)
4) Piggery Loan 5) Poultry Loan

## JOB NEWS

1) Collector 5 no. - 10 Passed (Boys & Girls)
2) Reception 1 no. - 12 Passed (Female Candidate only)
3) Loan Recovery Officer 3no. Graduate

Last date of form submission - 15/12/2021
Interview date - 17/12/2021
Office hour - 10 am to 4 pm.

# 8575291124
8837318822
8575836481

Sd/-
**Office of the Lainingthou Pvt. Ltd.**
Head Office Thoubal &
Kakching Branch
HL-P/0889/11/12-10/01

### খঙহঞ্জবা

Manipur Co-operative Societies Act 1976 কী মখাদা "KAIFADABA LAN WOMEN MULTIPURPOSE CO-OPERATIVE SOCIETY Ltd." হায়না Sagolmang Bazar, B.P.O. Sawombung, P.S. Sagolmang, PIN: 795114, Imphal East, Manipur দা Register তৌজগদৌরি। কনাগুম্বা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি ঙসিদগী নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা য়েৎপীরবা য়াগনি।

Sd/- **N. Bimota Devi**
Kaifadaba Lan Women Multipurpose
Co-operative Society Ltd., Sagolmang Bazar,
BPO-Sawombung, P.S. Sagolmang,
# +91 9362089059
HL-P/1034/24

### WALLET LOST

I have lost my Wallet Containing Voter ID Card bearing No. KCV0087544, Pan Card bearing No. NJBPS1207N. Aadhar Card and ATM Card of Bank of India bearing of Account No. 505310110003335 issued by Thoubal Branch on the way from my residence to Thoubal Bazar on 19th December 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Khundrakpam Suraj Singh**
Khangabok Bazar
# 9615736466
HL-P/1035/24

## OFFICE OF THE HEADMISTRESS KAKCHING WAIRI PART (I) GIRLS L.P.S -KAKCHING

### NOTICE

Kakching, the 23rd Dec., 2021

Notice অসিনা মরম ওইদুনা School অসিগী ছাত্রশিংগী Guardians/ Parents শিংগী মফমদা খঙহনজরি। মদুদি School অসিগী School Managing Committee গী মপুন্সি (Term) লোইখ্রবনা অনৌবা Committee অমা শেম্নবগীদমক লাক্লিবা তাং 06/01/2022 ইংগী নুংথিল পুং অমা (১) তাবা মতমদা Parents/Guardian (২) অমদি Subscriber (১) খন্নবগীদমক School Office তা Election পাঙথোকচরগনি। Committee Member ওইনিংবা Parents/Guardian শিংনা Nomination File 02/01/2022 to 03/01/2022 দা তৌবীয়ু অমদি Scrutiny না 04/01/2022 দা তৌজগনি।

Sd/- **N. Pramita Devi**
R.O/Headmistress, Kakching
Wairi Part (I), Girls L.P.S.
HL-P/1029/24

### খঙহঞ্জবা

Manipur Co-operative Societies Act 1976 কী মখাদা "ITA Women Multipurpose Co-operative Society Ltd." হায়না Khurai Chingangbam Leikai, B.P.O. Heingang, P.O. Lamlong, P.S. Porompat, PIN Code - 795010, Imphal East, Manipur দা Register তৌজগদৌরি। কনাগুম্বা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি ঙসিদগী নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা য়েৎপীরবা য়াগনি।

Sd/- **S. Abem**
ITA Women Multipurpose Co-operative
Society Ltd., Khurai Chingangbam Leikai,
BPO-Heingang, P.S. Porompat,
# 6009241627
HL-P/1028/24

### অৱাবা ফোঙদোকপা



Shri Thokchom Tombi Singh সাং Kongba Nongthombam Leikai দা লৈবীবা Manipur State Pensioners' Union গী Life Member ওইবীরম্বনা হৌখিবা তাং ২০-১২-২১ ইংদা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদ্রে তাবদা MSPU গী Executive Meeting না অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী মফমদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা থৌনীজখি লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি ফোঙদোকচরি।

Sd/- **Kh. Shamungou Singh**
Secretary, MSPU
# 7629942575
HL-P/1032/24

## YAMNA TOUBIMAL KHANGBA UTCHARI


(SUDHAKAR (SHAMU

Sagolband Khamnam Leirak I.T.I Manak Imphalda Leiba Nungi Layengba oja Laishram Nabakishore Padma Shri Awardee (Medicine) gi Machanupa Laishram Sudhakar (Shamu) Herbal Physician (Specialised in Urinary Stone)bu Ekhoina Ashukki Matik Toubimal Khangba Utchari. Maramdi Kidneyda Leiba Stone Tahanduna Phahanbibagidamak.

Sd/- **Wilson**
Ukhrul, Chingai Village
HL-P/1031/24,25,26

Heavy Discount for New Year, 2022
## M/S N.K.S. BRICK FIELD
**NEAR KHONGJOM WAR MEMORIAL GATE**
GSTIN NO- 14HFIPS8066E1Z1

| Brick Class | Rate per Brick | No. of Bricks | T/C | L/C | Total Charge |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st Class | Rs. 14:00 | 1500/- 2000/- | 2000/- 2500/- | 600/- 700/- | 23,600/- 31,200/- |
| 2nd Class | Rs. 13:00 | 1500/- 2000/- | 2000/- 2500/- | 600/- 700/- | 22,100/- 29,200/- |
| 1st Reject | Rs. 12:50 | 1500/- 2000/- | 2000/- 2500/- | 600/- 700/- | 21,350/- 28,200/- |
| 2nd Reject | Rs. 11:50 | 1500/- 2000/- | 2000/- 2500/- | 600/- 700/- | 19,850/- 26,200/- |
| 1st P.T. Class | Rs. 11:50 | 1500/- 2000/- | 2000/- 2500/- | 600/- 700/- | 19,850/- 26,200/- |
| 2nd P.T. Class | Rs. 10:00 | 1500/- 2000/- | 2000/- 2500/- | 600/- 700/- | 17,600/- 23,200/- |
| 3rd Class | Rs. 6:50 | 1500/- 2000/- | 2000/- 2,500/- | 600/- 700/- | 12,350/- 16,200/- |

**Contact No. : 8730097406**
**8118999999**
HL-P/0981/19-25

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।